### ম্যান্মার–রোহিংয়া ৱাথোক

# 'আইন চৎনহনববু মীনুংশী লৈতবা ওইনা লৌবা য়ারোই'



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২

ইণ্ডিয়াদা চঙজফম লৌরিবা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংবু গবর্ণমেন্টনা ডিপোর্ট তৌখিনবগী থৌরাং চঙশিনবদা য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নার ফোর হ্যমেন রাইটসনা কন্না য়েৎখিবা মতুং নোংমা কোনবদা য়ুএনদা ইণ্ডিয়াগী পার্মনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব ওইরিবা সয়েদ অকবরুদ্দিননা ঙসি হায়খিবদা মরী লৈনবা আইন থবক ওইনা চৎনহন্নবা হোৎনববু মীওইবগী মীনুংশি য়াওদবা ওইনা লৌফম থোক্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএন বোডি অদুনা মরু ওইরিবা টেরোরিজমগী থৌওংবু লায়না লৌবদা অকবরুদ্দিননা নুংঙাইতবসু ফোঙদোকখি।

আইন্না য়াদনা চঙলকপা য়ুমদাংবশিংনা লৈবাক্কী ওইবা ঙাকশেল থৌরাংদা অচৌবা শিংনবা ওইরকপা য়াবগী মতাংদা ইণ্ডিয়ানা লুনা লৌই হায়নসু অকবরুদ্দিননা ফোঙদোকখি।

মীওইবগী হককা মরী লৈনবা পান্দমশিং ফংনবা হোৎনবদা খল চুম্বা বিচার অমদি অওইবা ফীবমশিং শেংনা খঙদোকপগী তঙাইফদবসু লৈ হায়বসিদা ইণ্ডিয়ানা থাজে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জেনেভাদা ঙরাং য়ুএন হ্যমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৩৬ শুবা সেসন্দা ৱা ঙাঙবদা য়ুএন হায় কম্মিস্নার ফোর হ্যমেন রাইটস, জৈদ রা'অদ অল হুসেন্না হায়খিবদা ইণ্ডিয়ানা মীয়াম পুন্না তান্থোক্তুনা মখোয়বু তাথি–তাওইনা তৌরকপা মফমদা অমুক থাজিনখিবা চুম্লোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইণ্ডিয়াদা লৈরিবা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংবু গবর্ণমেন্টনা ডিপোর্ট তৌনবা থৌরাং য়ানিংদবা উত্তুনা অল হুসেন্না ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি।

ইণ্ডিয়াগী মিনিষ্টর অফ ষ্টেট ফোর হোমনা হন্দক্তা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং ডিপোর্ট তৌখিনবগী মতাংদা হায়খিবা ৱারোলবু অল হুসেন্না মীফম অদুদা পুথোক্তুনা ইণ্ডিয়া গবর্ণমেন্টকী থৌরাং য়ানিংদবা উৎখিবনি।

পনবা য়াবদি রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংগী মতাংদা ইণ্ডিয়াগী মায়োক্তা অল হুসেন্না থমখিবা ৱারোল অদু ইন্টর্নেসনেল ডিপ্লোমেটে অমনা ফোঙদোকপা খ্বাইদগী কনবা ৱারোলসু ওইখিবনি।

অতোপ্পা পাউ অমনা চাইনানা ঙসি ম্যান্মার গবর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুগী রাখিনে ষ্টেটতা শান্তি অমদি লৈতাবা ফীবম কায়হন্দনবা হোৎনরিবা খোঙথাংশিংবু শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ম্যান্মারগী রাখিনে ষ্টেটতা লান্মীনা কন্না তকখায়বগী খোঙথাংশিং লৌখৎপদগী লৈবাক অদুগী রোহিংয়া মুস্লিম ৩০০,০০০ রোম বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রবনি। রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংগী মতাংদা হেনগৎলক্লিবা অরুবা ফীবম অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা হয়েং পাইরক্কী ওইবা মীটিং অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা অসিগী মাঙওইননা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি ৱাঙাঙলোয় গেং সুৱাংনা ম্যান্মারগী গবর্ণমেন্টকী থৌরাং শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# ইণ্ডিয়া, বেলারুসনা পেক্ট ১০ য়ানখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২

ইণ্ডিয়া অমদি বেলারুসকী মরক্তা হীরম কয়ামরুমদা তেংবাংনবগী মতৌ হেনগৎহন্নবা অদুগা মিলিটরিগী ওইবা প্লেটফোর্মশিং পুন্না শেমগৎমিন্নবা ঙম্মবা ফীরেপ লৌরদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙসি মরু ওইবা পেক্ট ১০ সাইন তৌনখ্রে।

ইণ্ডিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগা বেলারুসকী প্রসিডেন্ট এজি লুকাসেঙ্কো উনদুনা হীরম কয়ামরুমদা ৱারী শানবদা লৈবাক অনিগী মরক্তা ইকোনোমিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হেলহন্নবা য়ানখিবনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক অমদি শেন্থং থাদবগী চাং হেনগৎহনবা য়াবা পোরমশিং মরাং কায়না লৈ হায়বা লুচিংবা অনিনা য়াখিবনি।

মেডিয়াদা থোকপা চেরোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোডিনা হায়খিবদা 'মেক ইন ইণ্ডিয়া' প্রোগ্রামগী মখাদা ডিফেন্স সেক্টরগী ডিবলপমেন্ট অমদি মেন্যুফেকচরিংগী থৌওংশিং হেনগৎহনবদা ইণ্ডিয়ানা কন্না শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

সাইন তৌনখিবা পেক্টশিং অদুদা থাউ অমদি গ্যাস, এডুকেসন অমদি স্পোর্টসসু য়াওনা তোঙানবা হীরম কয়ামরুমদা লৈবাক অনিগী থাক্তা অমগা অমগা তেংবাংনবা হেনগৎ–হন্নবগী ৱাফম য়াওখ্রে

### রয়ান স্কুল মীহাৎ

# স্কুল সেফটি প্রোটোকোলগী মীটিং কৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২

স্কুলশিংদা অঙাংশিংগী মথক্তা নাতে চাদবা লিচৎ চখ্খবগী থৌওংশিং থিংনবা মহৈতম্ফম শঙশিংদা চৎনগদবা প্রোটোকোল শেম্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মেনকা গান্ধী অমদি প্রকাশ জাবড়েকর য়াওনা হয়েং অৱাংবা থাক্কী মীটিং অমা পাঙথোক্কদৌরি হায়না গবর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীটিং অদুদা ৱিমেন এণ্ড চাইল্ড ডিবলপমেন্ট (ডব্লিয়ুসিডি) অমদি হ্যুমেন রিছোর্স ডিবলপমেন্ট (ঐচআরডি) মিনিষ্ট্রিশিংগী ওফিসিয়েলশিং অমদি নেস্নেল কম্মিসন ওফ প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এনসিপিসিআর), সেন্ট্রেল বোর্ড ওফ সেকেণ্ডরি এডুকেসন (সিবিএসই), নেস্নেল কাউন্সিল ওফ এডুকেস্নেল রিসর্চ এণ্ড ট্রেনিং (এনসিইআরটি) অমদি কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয় সঙ্গথনগী মীহুৎশিং শরুক য়াগদৌরি।

মীফম অসি হন্দক্তা রয়ান ইন্টর্নেস্নেল স্কুলদা ক্লাস টু তম্লিবা মহৈরোয় অমা তমথিনা হাৎখিবা অমদি সাহদারাগী লনাই স্কুল অমদা চহী মঙাদা ঙাইরিবী নুপীমচা মহৈরোয় অমা রেপ চখ্খিবগী মতুং তারকপদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ডব্লিয়ুসিডিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা হায়খিবদা অঙাংশিংবু ফীবম অমত্তদা হকচাংগী নক্তগা ৱাখলগী ওইবা নাতে চাদবা খুদোংথীবশিং থোকহন্দনবা মিনিষ্ট্রি অনিনা স্কুলশিংদা চৎনগদবা গাইদলাইনশিং অমদি প্রোটোকোলশিং শেমগদৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ডব্লিয়ুসিডি মিনিষ্টর মেনকা গান্ধীনা হীরম অসিগী মতাংদা ঐচআরডি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবড়েকরগা টেলিফোন্দা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা স্কুল বসশিংগী দ্রাইভর অমদি কন্দক্টরশিংসু য়াওনা সপোর্ট ষ্টাফশিং ওইনা নুপী ওইবীশিং হাপ্পবা ৱাফম পুখৎখ্রবনি।

স্কুলশিংগী নন–টিচিং ষ্টাফ লৌবদসু অহকপা চৎন পথাপশিং চৎনহনবগী মরু ওইবা ডব্লিয়ুসিডি মিনিষ্টর মেনকা গান্ধীনা পুখৎখি হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি রয়ান ইন্টর্নেস্নেল স্কুলদা মীহাৎ থীনা হাৎখ্রবা প্রদুমন ঠাকুরগী অপোকপনা লানখৎপা প্লি অমদা মীহাৎ অদুবু সিবিআইনা থিগৎহনবা অদুগা অঙাংশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা গাইদলাইনশিং শেম্নবগী ৱাফম তকশিল্লকপদগী সুপ্রিম কোর্টনসু ঙরাং নোটিশ অমা থোক্তুনা সেন্তর গবর্ণমেন্ট অমদি হরয়ানা পুলিসতা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখিবনি।

# জিএসটি ডিপার্টমেন্টকী এমপ্লোয়ি সিবিআইনা বূক তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২

বিজিনেসমেন অমগী এক্সপোর্টকী বোন্দ সার্টিফিকেট এপ্লিকেসন অমা প্রোসেস তৌনবগীদমক ৱানোমশেল লৌনবা হোৎনখিবা জিএসটি ডিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই) না বূক তৌখ্রে।

মুম্বাইদা বেজ তৌবা এক্সপোর্টর অমনা সার্টিফিকেট অদু তান্থোক্নবা হৌখিবা সেপ্টেম্বর অমদা পীশিনখিবা এপ্লিকেসন অমা প্রোসেস তৌনবগীদমক ওফিসিয়েল অদুনা ৱানোমশেল লৌনবা হোৎনবদগী বিজিনেসমেন অদুনা সিবিআইদা ৱাকৎচে অমা লানখৎপদগী এজেন্সি অসিনা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

মহাক্না ফাইল তৌখিবা এফআইআরদা বিজিনেসমেন অদুনা মহাক্কী পিওনবু এয়ার ইণ্ডিয়া বিল্ডিংদা লৈবা জিএসটি ডিপার্টমেন্টকী ওফিসতা থেংখাং কয়ারক চৎহনখিবদা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদু প্রোসেস তৌদনা লৈরকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মদুদগী মহাক্কী লেন্দলাইন ফোন্দা দিপক হায়বা জিএসটি ডিপার্টমেন্টকী ওফিসার অদুগা ৱারী শাবদা এপ্লিকেসন অদু প্রোসেস তৌনবগীদমক লুপা ৫০০০ পীনবা খঙহল্লকখি হায়না এফআইআর অদুদা বিজিনেসমেন অদুনা ফোঙদোরকখি।

মতুং তারকপদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর নিপান্দা এক্সপোর্টর অদুনা সিবিআইদা ৱাকৎচে অমা ফাইল তৌরকপদগী এজেন্সিনা আইন্না য়াদবা মওংদা ৱানোমশেল লৌনবা ডিমান্দ তৌবগী মরালদা এন্টি করপ্সন এক্টকী মখাদা এফআইআর অমা রেজিষ্টর তৌখিবনি।

# ইণ্ডিয়াগী জালি নোট নম্বগী থবক্তা পাকিস্থান্দগী বাংলাদেশনা মাঙ থাখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২



গবর্ণমেন্টনা মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা হান্নগী লুপা ৫০০ অমদি ১০০০ চৎপী নোটশিং ডিমোনিটাইজ তৌখ্রবা তুংদা পাকিস্থান্দগী আইন্না য়াদবা অনৌবা নোটশিং থাজিল্লকপগী থৌওং ফজনা হন্থখ্রবসু অনৌবা লুপা ২০০০ চৎপী নোটশিং নমদুনা থাজিল্লকপগী থৌওং বাংলাদেশ মায়কৈদগী কন্না হেনগৎলক্লি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

বোর্ডর সেক্যুরিটি ফোর্স (বিএসএফ) না জালি নোটশিং ফাবগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েল ডেটাশিংদা বাংলাদেশতা অনৌবা ২০০০ চৎপী নোটশিং নমদুনা থাজিল্লকপগী মরু ওইবা লিখুন অমা ওইরে হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

মমাঙদদি পাকিস্থান অমদি বাংলাদেশ লৈবাক অনিমক্তা নম্বা ইণ্ডিয়াগী জালি নোটশিং ঙমখৈ নক্লনা লৈবা জম্মু, পঞ্জাব, রাজস্থান, গুজরাত, নোংচুপ বেঙ্গল, অসাম অমদি মেঘালয়াদা লৈবা অরোনবা হোজং ১৩ দা ফাওদুনা পুশিল্লম্বনি।

হোজং ১৩ অসিগী মনুংদা ১১ দদি ফেক ইণ্ডিয়ান করেন্সি নোটস (এফআইসিএন) হায়রগা খঙনবা জালি নোটশিং পুশিল্লকপদা ফাবগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থখ্রবনি।

অদুমকপু চৎলিবা চহী অসিগী হৌরকপদগী অসাম অমদি নোংচুপ বেঙ্গলদা লৈবা অরোনবা হোজং অনিদা জালি নোটশিং পুশিল্লকপগী চাং হেনগৎলকখিবনি।

ৱাফম অমনা বোর্ডর সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফংখিবা পাউ খরদা পাকিস্থান অমদি বাংলাদেশতা লৈবা জালি নোটকী সিন্দিকেটশিংনা ডিমোনি–টাইজেসন মতুংদগী মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরেল ইনভেষ্টমেন্টশিং ফগৎহন্নবা হোৎনদ্রে হায়বা খঙবা ঙমখিবনি।

অদুমকপু হৌজিক্তি লৈবাকশিং অসিদগী ইণ্ডিয়াদা জালি নোটকী অফবা খোঙফম অমা ফংনবা হোৎনবগী থৌরাং উরে হায়বগা লোয়ননা অনৌবা জালি নোটশিং ইণ্ডিয়াদা থাজিল্লক্নবা হোৎনবদা বাংলাদেশনা পাকিস্থান্দগী মাঙ থাখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখিবনি।

বাংলাদেশকী জালি নোট সিন্দিকেটশিংনা অনৌবা লুপা ২০০০ চৎপী নোটশিং নম্বদা ইণ্ডিয়ানা শীজিন্নরিবা চেগী ক্বালিটি য়ৌবা ঙমদবদগী সাউদি অরাবিয়া অমদি মালেসিয়াদগী লোন্না পুশিল্লকপা অফবা মখলগী চে শীজিন্নদুনা চপ মান্নবা ক্বালিটিদা ইণ্ডিয়াগী জালি নোটশিং পুথোক্লবা হোৎনবা হৌরে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# খা কোরিয়ানা য়ুএন সেঙ্কসন তরাম্না ওকখ্রে

সিওল, সেপ্টেম্বর ১২

অৱাং কোরিয়াগী মথক্তা অনৌবা সেঙ্কসনশিং থম্নবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ুএনএসসি) দা পাঙথোকপা ভোট অমদা য়েৎনবা লৈতনা য়াখিবগী খোঙথাংবু এসিয়াদা য়ুএসকী মরু ওইবা মপাংশিং ওইরিবা জপান অমদি খা কোরিয়ানা তরাম্না ওকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অনৌবা সেঙ্কসন অসিদা অৱাং কোরিয়াগী মথক্তা থাউ সপ্লাই লাকপা অমদি লৈবাক অদুদগী টেক্সটাইল পোৎলমশিং লৈবাক ৱাংমদা থাদোকপগী খোঙথাংশিং অথিংবা থমখ্রে।

য়ুএসনা দ্রাফট তৌবা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন অদুবু অয়াবা পীখ্রবা তুংদা জপান অমদি খা কোরিয়ানা হায়খিবদা প্যোংয়াংনা করিগুম্বা বেল্লিষ্টিক মিসাইলশিং অমদি ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিং ডিবলপ তৌবা তোক্ত্রবদি অহেনবা প্রেসর পীনবা শেম শারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবা অমনা অৱাং কোরিয়ানা বেল্লিষ্টিক মিসাইল অমদি ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামশিং কন্না চখ্খবগীদমক মেম্বর ১৫ লৈবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইং ২০০৬ তগী হৌনা থম্লকখিবা সেঙ্কসনশিংগী মরক্তা ঙরাং য়ানখিবা অদুনা মাপনশুবা সেঙ্কসন ওইরি।




*য়ুএনএসসিদা ঙরাং পাঙথোকপা মীটিং অমদা খা কোরিয়াগী য়ুএন এম্বেসেদর চো তে–য়ুলনা ৱা ঙাঙখিবা*

অতোপ্পা ৱাফম অমদা ঙরাংগী ভোট অদুগী মতুংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়ুএসকী এম্বেসেদর ওইরিবী নিকি হেলিনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা থমখিবদা অৱাং কোরিয়াগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং হেনগৎহনবদা ঐখোয়দা অপেনবা ওইদে, ঐখোয়না লান অমা থোকপা পামদে হায়না ফোঙদোকখি।

অৱাং কোরিয়াগী লৈঙাক্লা হৌজিকসু হল্লকপা য়াররোইদবা তাঙ্কক অমা য়ৌনা চঙশিনখিবা নত্তি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা পাউ অমনা লৈবাক অদুগী মথক্তা অহেনবা সেঙ্কসনশিং থম্নবা ঙরাং য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপ অদু অৱাং কোরিয়ানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

সেঙ্কসনগী ৱারেপ দ্রাফট তৌখিবা য়ুএসপু কিহনবা ওইনা অৱাং কোরিয়াগী মায়কৈদগী হায়খিবদা য়ুএসনা মমাঙদা ফংখিবশিংদগী খ্বাইদগী হেনবা চৈনা অথুবা মতমদা লৈবাক অদুনা ফংলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

জেনেভাদা পাঙথোকপা ডিসঅর্মামেন্টকী কনফরেন্স অমদা প্যোংয়াংগী এম্বেসেদর হান তে সোঙনা হায়খিবদা খ্বাইদগী অনৌবা অমদি আইন্না য়াদবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিল রিজোলুসন অদুবু ঐহাক্কী ডেলিগেসন্না খ্বাইদগী কনবা ৱাহৈদা কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

য়ুএস লৈঙাক্লা রাজনীতিগী, ইকোনোমিগী অমদি মিলিটরিগী ওইবা মুক্নবা অমা থোক্লবা কন্না হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

মপুং ফারবগা পাঞ্চক ওইরবা ডিপিআরকেগী ন্যুক্লিয়ারগী মঙম ডিবলপ তৌবগী থৌরাং অসিবু ওইবা য়ারোইদবা ফীবমদা অমুক হন্দোকহন্নবা ৱাখলদা য়ুএস লাইচুরে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

নীংশিংবা য়াবদি হৌখিবা সেপ্টেম্বর অহুমদা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী নৌবা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট অদু থোইদোক্লা খুমাং চাওশিল্লবা হায়দ্রোজেন বোম্ব হায়না ক্লেইম তৌখিবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাক কয়ামরুম্নসু চাংয়েং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখিবনি।

অনৌবা সেঙ্কসন অদুগা মরী লৈননা কা হেন্না মরিক চুম্বা ৱাফমদি ফোঙদোক্তুনা মহাক্না হায়খিবদা ডেমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া (ডিপিআরকে) না অরোইবা উপায় ওইনা খ্বাইদগী চুনবা লাল্লোং অমা চখ্খনবা শেম শারে হায়না ফোঙদোকখি।

চখরক্কদৌরিবা লাল্লোং অসিনা য়ুএসকী ইতিহাসতা থেংনখিবা চৈনাশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী কনবা চৈনা শোয়দনা ফংহল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# ফিল্লিপিন্সতা লেন্দস্লাইদ থোকপদা ২ শিখ্রে

মনিলা, সেপ্টেম্বর ১২

ফিল্লিপিন্সতা ঙসি অঙনবদা ট্রোপিকেল দিপ্রেসন অমনা মরম ওইদুনা নোংজাও হৈথবদগী মেট্রোপোলিটান মনিলাদা ঈচাও থোকখিবগা লোয়ননা নক্নবা প্রোভিন্সশিংদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী মচিন মনাও ওইবা মীওই অনি শিখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাগুনা প্রোভিন্সতা ইমায় পাথোক্লবা তুরেল অমগী ঈশিংনা য়ুম অমা চেন্থখ্রবা তুংদা মীওই মঙাসু মফম খঙদনা লৈরি হায়না ডিজাষ্টর রিলিফ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখি।

প্রোভিন্স অদুগী খুদক্কী ওইবা ঈচাওনা মরম ওইদুনা গবর্ণমেন্ট ওফিসশিং, স্কুলশিং অমদি ফাইনান্সিয়েল মার্কেটশিং লোনখিবগা লোয়ননা ফ্লাইট কয়ামরুমসু কেন্সেল তৌখ্রে।

ডিজাষ্টর রেস্পোন্স ওফিসিয়েল এলমর এস্পিরিটুনা হায়খিবদা মশাগী চহী ১৪ অমদি ১৭কী লেঙ ওইবা মচিন মনাও অনি অদু লেন্দস্লাইদ থৌদোক অমনা ময়ুম ফুমখিবদগী শিখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অদু মনিলা মনাক্কী তেতে টাউন্দা ঙসি নোংঙাল্লমদাই মমাঙদা চীংখোঙ অমদা থোকখিবনি হায়নসু ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোরকখি।



*ঈচাও থোক্লবা লম্বীগী শরুক্তা অহাংবা প্লাষ্টিক বোট্টলশিংগী পোঙ অমদা মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌনরি*

খুদোংথীবা নংবা য়াবা মফমশিংদগী চখোকখিনবা খঙহনবদা য়ানিংদবা রেসিডেন্টশিং য়াওবদগী ওফিসিয়েলশিংনা মখোয়বু নমদুনা হোন্দোকখি হায়নসু মহাক্না মখা তারকখি।

ফিল্লিপিন ৱেদর ব্যুরোনা হায়বদা মরিং হায়বা ট্রোপিকেল ডিপ্রেসন অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা নোংপোক–লোমদা লৈবা ক্বিজোন প্রোভিন্সতা কংফাল য়ৌরকখিবনি হায়রদুনা ডিপ্রেসন অদু অৱাং নোংচুপ মায়ওন্দা পুংদা কিলোমিটর ৬০ য়াংনা শিংপা অদুগা খ্বাইদগী কনবা শহুমদা পুংদা কিলোমিটর ১০০ য়ৌবা নুংশিৎকা লোয়ননা কংফাল তারকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তানা য়াইমরপ ওইবদগীনা অকনবগী চাং য়ৌবা নোংজুনা মনিলা অমদি নক্লনা লৈবা প্রোভিন্সশিংদা সাইক্লোন অদুগী লম্বী পরিংদা খুদক্কী ওইবা ঈচাওশিং অমদি লেন্দস্লাইদ থৌদোকশিং থোক্লবা য়াবগী অকিবা লৈরি হায়নসু ৱেদর ব্যুরো অসিনা ৱার্নিং ওইনা ফোঙদোকখ্রে।

লাগুনা প্রোভিন্সকী কালাম্বা টাউন্দা খুদক্কী ওইবা ঈচাওনা ইমায় পাথোক্লবা সান কৃষ্টোবাল তুরেল মপান্দা লৈবা য়ুম অমা ফুক্তুনা চেন্থখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা মীওই মঙাসু হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরি হায়রি।

মশাগী চহী মঙাদা ঙাইরিবা অঙাং অমসু য়াওনা মীওই নিপান খুদোংথীবদগী কনবা ঙমখি হায়না নোরিয়েল হাবানা হায়বা ডিজাষ্টর রেস্পোন্স ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখি।

ওফিসিয়েল ওইবা লিখুনশিংনা হায়বদা ক্বিজোন প্রোভিন্সতসু অকনবা নোংজুনা থোকহনবা ঈচাওগী ঈশিং মরক্তগী পেসেঞ্জর ২২ য়াওবা বস অমা রেস্ক্যু তৌখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# বাংলাদেশনা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং লাপ্না থৈদোকখিনবা থৌরাং খন্নরি

ধাকা, সেপ্টেম্বর ১২

ম্যান্মারগী ভাইওলেন্স কিদুনা চেন্নরকপা রোহিংয়া মুস্লিম রিফ্যুজিলিশিং কয়ামরুম্ব বাংলাদেশনা কুম খুদিংগী ঈচাও থোকপা মী তাদবা ঈথৎ লম্লেমশিংদা নমদুনা থৈদোক–খিনবা থৌরাং খন্নরি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অনংবা লৈবাক অদুদা লেপ্তনা হেনগৎলকপা ক্রাসিস মায়োক্নবদগী রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংবু মী তাদবা ঈথৎ লম্লেমশিং অদুদা পুথোকখিনবা হোৎনবদা মালেম পুম্বনা শৌগৎ–পিনবা মমাঙদা বাংলাদেশ গবর্ণমেন্টনা আপিলসু তৌখ্রবনি।

ম্যান্মারগী রাখিনে ষ্টেটতা লান্মীনা চখ্খবা ক্রেকডাউন অমদগী চেন্নরকপা রোহিংয়াশিংবু কদায়দা লৈহনগদগে হায়বসিদা বাংলাদেশ লৈঙাক্লা কোক শাদুনা লৈরকপনি। হৌখিবা আগষ্ট ২৫ দগী খঙহেন হেনগৎলকখিবা ভাইওলেন্স থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা রোহিংয়া মীওই ৩০০,০০০ রোম বাংলাদেশতা থোমজিল্লকখ্রবনি।

য়ুএননা হাংদোকপা ম্যান্মার ঙমখৈগা নক্লনা লৈবা কোক্স বজার ডিষ্ট্রিক্টকী রিফ্যুজি কেম্পশিংদা হান্নদগী লৈরকপা রিফ্যুজি চাওরাক্লা ৩০০,০০০ গী মথক্তা অনৌবা রিফ্যুজিশিং অসি অমুক চঙশিল্লক–পদগী মখোয়গী লৈফম শিন্দোকপদা বাংলাদেশনা খুদোংচাদবা চাওনা মায়োক্নরিবনি।

অদুমকপু লৈবাক অদুগী মী লৈবদা খুদোংচারোইদবা লম্লেম ওইনা লৈবা থেঙ্গার চার আইলেন্দ হায়রম্বদগী ভাসন চার হায়না নৌনা মমিং ওনখ্রবা ঈথৎ অমদা অহেনবা কেম্পশিং শানবা হোৎনবদা তৌফম খঙদ্রিবা বাংলাদেশ ওঠোরিটিশিংদা নৌনা অমুক থোমজিল্লকপা রিফ্যুজিশিং অসি পুবা থাংবা ঙমদবগী ফীবমদা লৈরে হায়রি।

অসিগীসু মথক্তা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংবু মী তাদবা ঈথৎ অদুদা থৈদোক্নবা হোৎনবদা য়ু এন ওফিসিয়েলশিংসু য়াওনা রোহিংয়া লিডরশিংনা কন্নসু য়ানিংদ্রিবনি।

পনবা য়াবা অমনা মেঘানা তুরেলগী ঈচিন্দা লৈবা ভাসান চার অসি খ্বাইদগী নকপা মী লৈনবা ঈথৎ অমা ওইরিবা সনদ্বিপতগী হিনা চৎপদা পুং অমগী লম্বীনি। হাতিয়াদগী হিনা চৎপদা পুং অনি চংবা ভাসান চার অসি বাংলাদেশকী খ্বাইদগী চাওবা ঈথৎশিংগী মরক্তা অমসু ওইরিবনি।

ঈথৎ অদু ইং ২০০৬ খক্তদা সমুদ্র ঈমায়দগী থিনগৎলকপা ওইবা মরম্না হৌজিকসু মী লৈনবা য়াদ্রিবনি।

## এসি শোয়রকপদগী পেসেঞ্জর লেকথখ্রে

কারাচি, সেপ্টেম্বর ১২

সাউদি অরাবিয়াদগী কারাচি তম্না পাইরকপা ফ্লাইট অমগী এয়ার কণ্ডিস্নিং সিষ্টেম অশোয়বা থোকপদগী পেসেঞ্জর কয়ামরুম প্লেন মনুংদা লেকথরকখিবগা লোয়ননা ফ্লাইট থুংলবগী মতমসু পুং অহুম হেন্না থিন্থখ্রে হায়না মেডিয়াগী পাউ অমদা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ডোন ন্যুজগী পাউ অমদা হায়খিবদা প্লেন পাইরিঙৈদা এসি সিষ্টেমদা অশোয়বা থোকপদগী পেসেঞ্জর কয়ামরুম শ্বর ফুন্দুনা লেকথখি। অদুগা কেবিন টেম্পরেচরসু ৱাংখৎখি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসি কনফার্ম তৌবা ভিডিও অমা ঙরাং সোসিয়েল মেডিয়াদা ভাইরেল ওইখিবগা লোয়ননা প্লেনগী ইগজিৎ মনাক্তা পেসেঞ্জরশিং লেকথবগী শক্তমশিং উবা ফংনখি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।



*চয়োল অমরোমগী মমাঙদা জর্নেলিষ্ট–এক্টিবিষ্ট গৌরি লঙ্কেসপু হাৎখিবা মীহাৎ কন্দেম তৌরদুনা বেঙ্গলুরুদা ঙরাং সিতারাম য়েচুরি, সাইনাঠ অমদি মেধা পাটকরসু য়াওনা সোসিয়েল এক্টিবিষ্ট, জর্নেলিষ্ট, মীয়ামগী লূপশিং অমদি লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তগী লাকপা পোলিটিকেল পার্টি ৱার্কর চা কয়ামরুম্না অচৌবা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখিবা*